**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 12-02-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) নুমিৎ নিনি হুমিগী মনুংদা রাজ্য অসিগী রাজনীতিগী ৱারোইশিন পুরক্লগনি হায়বগী থজবা লৈরি।

২) রাজ্য বিধান সভা মীফম পাঙথোকখিদবা অদু লাইবক থিবনি হায়না হান্নগী মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ টি.ঐচ. লোকেশ্বরনা ফোংদোরক্লি।

৩) লল্লোন ঈতিক অমদি মরোমদোম শেন্থোক লৈনবগী লমদা খোঙদারক্লিবশিংদমক কোর্পোরেট লিদরস কনক্লেভ ফোর পোইট ও ঙসি পাঙথোকখ্রে।

৪) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী ফ্রান্স খোঙচৎ ঙসি লোইশিনখ্রে, মহাক আমেরিকা পাংখ্রগনি।

অমসুং

৫) ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসকী ১৬ নি চনবা নুমিৎতা মণিপুর সনাগী তকমান ১, লুপাগী ২, শেঞ্জেংগী ৪ পুন্না তকমান ৭ ফংবা ঙমখ্রে।

------

সরকার (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন ফম থাদোকখ্রবা মতুং ঙসি ফাওবা অনৌবা মুখ্য মন্ত্রিগী মীং লাউথোকপা লৈত্রি। ঙসিসু অৱাং নোংপোক রাজ্যগী বি.জে.পিগী ইনচার্জ ডাঃ সম্বিত পত্রনা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা উন্নখি। ঙসি অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদা উন্নখিবা অদুদা করি ৱাফম খন্নখিবগে

হায়বদু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। মদুগী মতুংদা ইম্ফাল হোটেলদা রাজ্যগী তোঙান তোঙানবা এম.এল.এশিংগা উন্নখি। ডাঃ সন্বিত পত্রনা উন্নখিবা এম.এল.এশিং অদুগী মনুংদা লংথবাল কেন্দ্রগী এম.এল.এ করাম শ্যাম অমদি খুরাই কেন্দ্রগী এম.এল.এ- এল. শুশিলদ্রো য়াওখি। অদুবু হৌজিক ওইরিবা রাজনীতিগী ওইবা চমমবা অসিগী মতাংদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম অমত্তা এম.এল.এ- শুশিলদ্রোনা পীখিদে।

পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা এম.এল.এ- করাম শ্যামনা হায়- হৌজিক লৈরিবা রাজনীতিগী ওইবা ৱাথোক অসি নুমিৎ নিনি হুমিগী মনুংদা লোইশিল্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ। মহাকা হায়- কন্সটিট্যুসনেল ক্রাইসিস লৈতে, কেন্দ্রগী লুচিংবশিংগী পাউতাক মখাদা থোক্লিবা রাজনীতিগী ওইবা ৱাথোক অসি অথুবদা লোইশিনগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

অমরোমদা, প্রসিদেন্ট রুল লাক্কদৌরিব্রা হায়না পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা মদুগী মতাংদা মহাক্কী মোৎ পীবা ঙমদে হায়খি। অদুবু অনৌবা মুখ্য মন্ত্রি অমা ঙসি লাউথোক্কদ্রা হায়না হংবা ৱাহংদা শ্রী করাম শ্যামনা মদু থাজবগী ৱাংমদনি হায়না ফোংদোরকখি।

লোকেশ্বর (এল)ঃ মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা রাজ্য বিধান সভা মীফম পাঙথোকখিদবা অসি লাইবক থিবনি হায়না হান্নগী মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ টি.ঐচ. লোকেশ্বরনা ফোংদোরক্লি।

বাবুপারাদা লৈবা মহাক্কী ওফিসিয়েল ক্বাটরদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী এম.এল.এ অসিনা হায়- রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ৱাথোকশিংগী মতাংদা ৱারোইশিন পুরকবা অমদি অৱা অনা তারবশিংদা করম্বা মতেং পাংগদগে হায়বনচিংবা ৱাফমশিং খন্নগদবা মতম অসিদা বিধান সভা মীফম ফমদবা হায়বসি রাজ্য অসিগী মীয়ামগী মাংজবনি। হৌজিক ওইরিবা রাজনীতিগী ওইবা অহোংবা কয়া অসিনা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা চমমবা পোকহল্লে হায়নসু এম.এল.এ অসিনা মখা তাখি।

এরেষ্ট (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্বা অমদি এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। পুলিসকী পাউনা হায়- ঙসি নুংথিল কম্মান্দো ককচিং য়ুনিতকী কাংবুনা আইন্না থিংখ্রবা লুপ কে.সি.পি (সিতি মৈতৈ)গী মীওই অমা ককচিং জিলাগী ইরুমপাল এরিয়াদগী ফারে। মীওই অনি অসিনা ককচিং অমদি থৌবাল জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা মীয়ামদগী শেনখায় থুমখায় তৌবা মীওইনি হায়রি। মীওই অদুদগী মোবাইল ফোন অনি অমদি চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা ফাগৎপা ঙমখি। মখা তানা থিজিন্নবা ককচিং পুলিস ষ্টেসনদা কেস অমা লৌখৎলে হায়রি।

থৌবাল (এল)ঃ মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতি থৌবালনা শিন্দুনা নিউ ক্রিমিনেল লোজ হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। ককচিং জিলাগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা জিলা অদুগী লৈরিবা ইনভেষ্টিগেতিং ওফিসার য়াওনা তোঙান তোঙানবা পুলিস ওফিসারশিং শরুক য়াখি। মদুদা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ থৌবাল, শামোম ইবজেন, ককচিং জিলাগী এস.পি. থোকচোম বিক্রমজিৎ, থৌবালগী চীফ জ্‌দিসিয়েল মেজিষ্ট্রেট ডাঃ লাইশ্রম রিনা দেবী, ককচিং জিলাগী এদ্দিসনেল এস.পি (লো এন্দ ওর্দর) রোমেন্দ্রো সিংহ অমদি জিলা অসিগী জ্‌দিসিয়েল মেজিষ্ট্রেট ফাষ্ট ক্লাস নিরা শিনামনচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

কনক্লেভ (এল)ঃ মণিপুর টেকিকেল য়ুনিভর্সিতিগী মহৈরোইশিংনা শিন্দুনা রি ইগনাইট, রি ইনভেন্ট এন্দ রাইজ হায়বা হিরমদা কোর্পোরেট লিদরস কনক্লেভ ফোর পোইট ও ঙসি পাঙথোকখ্রে। রাজ্য অসিদা লৈরিবা বিজিনেস ষ্টদিজ কোর্স তল্লিবা অমদি ওন্তরপ্রেন্যুরসিপতা থৱায় য়াওবা মণিপুর য়ুনিভর্সিতি অমসুং ধনামঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতিগী মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখিবা থৌরম অদু নোর্থ এ.ও.সিদা লৈবা হোটেল ইম্ফালগী শঙাই হোলদা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা রাজ্য অসিগী বিজিনেস অমসুং ওন্তরপ্রেন্যুরসিপকী লমদা শকাইরবা

মীওই কয়া শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা মণিপুর টেকিকেল য়ুনিভর্সিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ মেনেজমেন্টকী ঐচ.ও.দি ডাঃ লৌরেম্বম ভিক্তোরিয়ানা হায়- পাঙথোক্লিবা কনক্লেভ অসি হৌরক্লিবা মহৈরোইশিংদা প্লেটফোর্ম অমা পীবদা মতেং ওইনবগী ৱাখল্লোনদা মরিরক শুবা ওইনা পাঙথোকপনি।

কনক্লেভ অসিগী মনুং চন্না নুমিৎ ৪৫ নিগী ওইবা সন্মর কেম্প অমসু পাঙথোক্লি। কেম্প অসিদা মতৌ করমা বিজিনেস তৌবদা মায় পাক্কদগে হায়বা হিরম য়াওনা হৌরক্লিবা ওন্তরপ্রেন্যুরশিংনা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং খঙহন্নবা হোৎনরি।

অমুকো (এল)ঃ ওল মণিপুর য়ুনাইতেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)গী ৩২ রক শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। ক্বাকৈথেল অখাম লৈকাইদা লৈবা অমুকোগী ওফিসতা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা লুপ অসিগা চৎমিন্নরিবা পোইরৈ লৈমারোল অপুনবা মৈরা পায়বী মণিপুর, ফিদরেসন ওফ হাওমী, ওল মণিপুর ৱিমেন্স ভোলুন্তরি এসোসিয়েসন, ওল মণিপুর মৈতৈ পাঙল ক্লবস ওর্গনাইজেসন, কবুই মাদরস এসোসিয়েসন য়াওনা তোঙান তোঙানবা লুপশিংগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা অমুকোগী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো লুৱাংনা হায়- মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম ঙাক্তুনা থমবগী ৱাখল্লোনদা তুংগী মীরোলগীদমক লুপ অসি ইপা ইপুশিংনা লিংখৎপীরম্বনি। পান্দম অসিগী মখাদা ঙসিসু লুপ অসিনা লেপ্পা লৈতনা থবক কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি । হৌজিক ওইরিবা রাজ্য অসিগী ফিভম অসিদা খুল ঙাক্লিবশিংবু ফানবা হোৎনরিবা থৌওং অমুকোনা য়াবা ঙমলোই হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

চান্দেল (এল)ঃ ভারত-ম্যান্মার ঙমখৈদা পায়খৎলিবা ঙমখৈ শম্বল খাবগী থবক অমদি ফ্রি মুভমেন্ট রেজিম চৎনহনখিদবগী মায়োক্তা চান্দেল অমদি তেংনৌপল জিলাদা পুং ১২ গী সটদাউদ লাউথোক্তুনা মীয়ামগী খোঙচৎ অমা

চৎখ্রে। চান্দেল নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসন অমসি লুপ অসিগী মখাদা লৈবা নাগা ফুরুপ ১১ অমদি নাগা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন চান্দেলনা নাগা চীফ এসোসিয়েসন চান্দেলগা খুৎশমদুনা চৎখিবা খোঙচৎ অদু চান্দেল জিলাগী ওইনা জিলা অসিগী হেদক্বাটরসতা লৈবা মহা য়ুনিয়ন গভর্নমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুল লম্পাক্তগী হৌরগা দি.সি. কমপ্লেক্স ফাওবা চৎখি। চকপিকারোং ব্লোক্তসু য়ানিংদবগী খোঙচৎ অদু চৎখিবগা লোয়ননা তেংনৌপল জিলাগী তুইসিনি খুলদগী হৌরগা লমরিনখুল ফাওবা চৎখি। খোঙচৎ অদুদা ঙমখৈনা ঐখোয়বু পুনদুনা থম্বা য়ারোই, ঐখোয়গী হৌরকফম খঙবীয়ু, ঙমখৈনা তোখায় তাহল্লি, নুংশি চান্নবনা পুনশিনহল্লি হায়বনচিংবা ৱাহৈশিং ইবা প্লেকার্দশিং শিজিন্নখি। তুংদা, প্রধান মন্ত্রিদা ইবা মেমোরেন্দম অমমম জিলা অনি অসিগী দি.সিশিংদা পীশিনখি।

ককচিং (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংনা জিলা অসিগী সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওফিসকা খুৎশমদুনা জিলা অসিগী ওইবা নসা মুক্ত ভারত অভিয়ান এক্সন প্লানগী মনুং চন্না এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু ককচিং খুনৌ হাহস্কুল অমদি ককচিং খুনৌ মখা হাইস্কুলদা পাঙথোকপনি। মদুদা এসিয়ান য়ুথ লিদর কোলম্বো প্লান- নুটন নোংথোম্বমনা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখি অমসুং স্কুল অনি অসিগী হেদ মিষ্ট্রেসশিংসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংগা লোয়ননা নিশা মরু ফংনা মুত্থৎনবা ৱাশক লৌমিন্নখি।

এৱার্দ (এল)ঃ সাহিত্যা থৌপাং লুপনা ইন্তরনেসনেল মাদর লেঙ্গুএজ ডেগা মরী লৈননা চহি খুদিংগী লেঙ্গুএজ এক্তিভিষ্টতা পীবা খুম্বোংময়ুম গৌরাহরি-মাধুমতি মাদর লেঙ্গুএজ এৱার্দ ২০২৫, চহি অসিগী ওইনা শকাইরবা লেঙ্গুএজ এক্তিভিষ্ট প্রোফেসার পাউনম গুনিন্দ্রোদা পীরগনি। সাহিত্যা থৌপাং লুপনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- এৱার্দ অসি থা অসিগী ২১ দা ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরি ইম্ফালগী ওদিতোরিয়ম পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্তরনেসনেল মাদর লেঙ্গুএজ ডেদা লান্থোক্কনি। এৱার্দ অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০, সাইতেসন অমা অমসুং সোল অমা য়াওরি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং ফ্রান্সকী রাষ্ট্রপতি ইমানুএল মেক্রোন অনিনা পুন্না ফ্রান্সকী ঐতিহাসিক ওইরবা সহর মারসেলদা ঙসি নুংথিল অহানবা ইন্দিয়ান কন্সুলেট হাংদোকখ্রে।

মদুগী মমাংদা, লুচিংবা অনিনা লৈবাক অদুদা লৈবা ভারতমচাশিংগা উন্নদুনা ৱারী ৱাতাই শাখি অমসুং মজারগেষ্টতা লৈবা ৱার সিমিত্রিদা চত্তুনা অহানবা অমদি অনিসুবা লাঞ্জাউদা লৈখিদ্রবা লান্মীশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি। কম্মনৱেলথ ৱার গ্রেভস কম্মিসনগী মখাদা শেমখিবা লান্মী লিশিং ১,৭০০ লোমগী সিমিত্রি অদুদা ইহান হানবা ওইনা ইং কুমজা ১৯২৫ দা ভারত লান্মীগী নিংশিং খুভম অমা মায়খুম হাংদোকখিবনি। মসিগীসু মথক্তা ভারত অমদি ফ্রান্স লৈবাক অনি য়াওনা পায়খৎপা ইন্তরনেসনেল থর্মো ন্যুক্লিয়ার রিএক্তর প্রোজেক্টসু লুচিংবা অনি অসিনা চত্তুনা য়েংখি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্কী খোঙচৎ অসিগী মনুং চন্না ফ্রান্সকী অহুমসুবা খ্বাইদগী চাউবা হিথাংফম ওইরিবা পোর্ট ওফ মারসেলিদা চৎলবা য়াই হায়রি। ফ্রান্সকী খোঙচৎ লোইরবা মতুংদা প্রধান মন্ত্রিনা নুমিৎ নিনিগী আমেরিকাগী খোঙচৎকীদমক ফ্রান্স থাদোক্কনি।

গেমস(এল)ঃ ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসকী ১৬ নি চনবা নুমিৎতা এরোবিক জিমাষ্টিক্কী ইন্দিভিজ্য়েল ইভেন্টতা মণিপুরগী এরিহা পাঙাম্বমনা সনাগী তকমান লৌবা ঙমখ্রে। মিক্স পিয়ারদা মুতুম রোমেশ অমদি আর.কে. থোইথোইলেম্বী চনুনা লুপাগী তকমান ফংখ্রে। ত্রাইও ইভেন্টতনা এরিহা পাঙম্বম, মুতুম রোমেশ অমসুং ওক্রম উমাজিৎনা লুপাগী তকমান ফংখি। গ্রুপ ইভেন্টতনা এরিহা, জেসিকা, অনজোরি, লৈশিলেম্বী অমসুং মলিয়ানি কোনশমগী কাংবুনা শেঞ্জেংগী তকমান লৌবা ঙমখি।

ফেন্সিং মশান্নগী ইপি ইভেন্টতসু মণিপুরগী নুপাগী টিম শেঞ্জেংগী তকমান ফংখিবগা লোয়নন‌া ফোইল ইভেন্টতসু লুপাগী তকমান ফংখি। জ্দো মশান্নগী ওইনা কিলোগ্রমা ৭৮ গী কাংলুপতা এল. রোসিনিনা শেঞ্জেংগী তকমান ফংখি।

মনিপুরনা হৌজিক ফাওবা সনাগী ১৪, লুপাগী ১৫ অমসুং শেঞ্জেংগী ২৩ পুন্না তকমান ৫২ ফংলে।

সাভির্সেস স্পোর্টস কন্ত্রোল বোর্ডনা সনাগী ৫৯, লুপাগী ২৩ অমসুং শেঞ্জেংগী ২২ পুন্না তকমান ১০৪ ফংদুনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈরি।

মহারাস্ত্রানা সনাগী ৪৭, লুপাগী ৬০ অমসুং শেঞ্জেংগী ৬০ পুন্না তকমান ১৬৭ ফংদুনা অনিশুবদা লৈরি।

ফুটবোল(এল)ঃ ১৭ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ-২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মিলন এফ.এনা য়ুথ ওর্গনাইজেসন স্পোর্টিং ক্লবপু পাঞ্জল ২-১ মায়থিবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচশিংদা নোর্থ ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন্না মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবপু পাঞ্জল ৫-০ দা মায়থিবা পীখি। সাই আর.সি.না নেরোকা এফ.সিবু পাঞ্জল ৫-০ দা মায়থিবা পীখি। ফুটবোল ক্লব লমজাউনা য়ুনাইতেদ ব্রদরস এফ.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীখি।

ক্রিকেট (এল)ঃ মরিশুবা এম.এন.সি.এ. বোইস অন্দর ফোরটিন টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.এ.এল থৌবাল লৈশাংথেমনা কে.সি.সি কোংবা বজারবু রন ৯ দা মায়থিবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচশিংদা সি.বি.সি.সি শগোলবান্দ শলাম লৈকাইনা এল.সি.সি লমশংবু ৱিকেট ৮ দা মায়থিবা পীখ্রে। এন.সি.এ নম্বোলনা সি.সি.কে খোংমনবু রন ৩০৭ তা মায়থিবা পীখ্রে ।

অনিশুবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন অন্দর ফিফতিনগী ৱান দে ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি  ময়াইকোইবী পি.সি.সি. গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা সেদো থাংমৈবন্দনা এম.পি.এ থৌনাউজমবু রন ১৯৪ মায়থিবা পীখ্রে।

অমরোমদা মোদেল হায়র সেকেন্দরি অমসুং ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা এম.এন.সি.এ দব্লিউ. প্রহালাদা এন্দ দব্লিউ  রামানন্দ ইলিট তুরনামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ই.এস.য়ু ৱাংখৈ পেলেস কম্পাউন্দনা মোদেল শিংজমৈ চীংঙামখাবু ৱিকেট ৪ দা মায়থিবা পীখ্রে।